# ইন্টলেকচুয়েলশিং অমসুং একাদমিসিয়ানশিংনা খুন্নাই অসি লমজিংলবদি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনিঃচীফ মিনিষ্টর

এস এন এস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ ঃ ইন্টলেকচুয়েলশিং অমসুং একাদমিসিয়ানশিংনা লমজিংলবদি খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি। ঙল্লৈঙেগী মতমগী মণিপুরদা মদু ৱাৎলক্লনা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্লমদবা ওইরম্বা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা মণিপুর রিসার্চ ফোরমগী লাইরিক 'নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াঃএ রিদর' হায়না মিংথোনবা ভগট ওইনাম অমসুং ধিরেন এ সাদোকপমনা ইদিটি তৌবা রুটলেজনা লন্দন অমসুং দিল্লিদা ফোঙবা লাইরিক অমা মীয়ামদা ফোঙদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তনা হায়, প্রি কোলোনিয়েল পেরেদকী মমাংদা লৈরম্বা ফিভম অদুগী থাদোরকপা মতুংদা লমদম অসিদা য়াম্না একাদমীক ওইবা অমসুং ইন্টলেকচুয়েল ওইবা শাফু অমা পোলিটিসিয়ানশিংদা পীবা ঙমখিদ্রবা হায়না লৌই।

গভর্ণমেন্ট অমা চল্লাইবা মতমদা একাদমিসিয়ানশিং অমসুং ইন্টলেকচুয়েলশিংনা কখোকপগা লোয়ননা নৈনরকপা থেংনরকপা কয়া অদুনা মাঙলোমদা পুবা ঙমগদৌরিবনি।

মতম অমগী পুয়াদা ইবিরম্বা ৱাহে ৱাতা, প্রো. সনাজাওবা নাওরিয়ানচিংবা শরুাইরবশিংনা ইরম্বা লাইরিক কয়াদা য়াওরিবা ৱাফম খরা খরা অদু লৌখৎলগা সাসন চল্লাইবা মতমদা পানশিনলগা হোৎনরি।

ঙল্লৈঙেগী মতমগী ইন্টলেকচুয়েলশিং অমসুং একাদমিসিয়ানশিংনা পোলিটিক্সলোমদা চৎপগী মহুত্তা ধর্ম্মরোমদনা হেন্না লুপশিনখিব্র হায়বগী চিংনবা লৈ।

ঙসিগী মীরোলনা অৱাবা মায়োক্নরিবা জাতিকাঙলূপশিংগী মীৎয়েংদা চঙশিন্নরিবা, পুন্না লৈমিন্নবা য়ারত্তবগী ফিভম অমদা লাক্লিবা অসি মতম অদুদা ঙসি লৈরিবা একাদমিসিয়ানশিং অমসুং ইন্টলেকচুয়েলশিং অসিগুম্বা লমজিংবীরল্লবদি থোক্লমদবা য়াই। মতম চানা খোঙথাং লৌহৌদবনা ৱাখিবা অদুগুম্না মখা তানা তুংদা লৈহনলরোইসি।

ইন্টলেকচুয়েলশিং অমসুং একাদমিসিয়ানশিংনা সেমিনারদা, জর্নেলদা ইনখিবা ঙাঙনখিবা ময়াম অমদু পানশিল্লগা লৈঙাক সাসন চখবনি। মদুমক্তনা তেল্লবা চহি অমা মখায়গী মতম অসিদা গভর্ণমেন্ট অসিনা লমদম অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখিবনি। মতম অমদা জাতি কাঙলূপশিংনা মণিপুরী নাগা, মণিপুরগী তাঙ্খুল , মণিপুরী মাউ হায়নিংলমদবা অদু ঙসিদি হায়নিংবগী ৱাখল ফাওরক্লবনি।

খুন্নাই অসি লমদম অসিদা লৈরিবা একাদমিসিয়ান ইন্টলেকচুয়েলশিংনা খুন্নাই অসি লমজিংলবা মতমদা মাঙলোমদা য়াঙনা চঙশিনবা ঙমগনি হায়খি।

ঐখোয় অসি অতে য়ুম্লেন্নরিবা ষ্টেটশিংদগী য়াম্না শোত্থনা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতে ষ্টেটশিংনা কন্না শেমগৎলকপা মতম অদুদা মণিপুরদা করিগুম্বা লাইরিক লাইশু হৈরবা, খঙ হৈরবা কাঙবুশিং অসিনা শাফু অমা পীরল্লবদি ঙসি ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসি ওইরম্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক্কী মতমদা ইন্টলেকচুয়েলশিং অমসুং একাদমিসিয়ানশিং অসি পোলিটিক্সতা য়াওশিনবীয়ু। ঐখোয়না শোয়রিবা অসি লাইরিক লাইশু হৈরবা খঙ হৈরবশিং অসি য়ুম য়ুমদা তুমিন্না লোত্না লৈবননি।

পোলিটিক্স য়াওবীয়ু হায়দুনা ভোট লেপীয়ু হায়বা নত্তে। লেপ্লবসু কায়দে। অদুবু খুন্নাই অসি চুমথোক্লবা প্লেটফোর্মদা লেপ্লীদুনা খুন্নাই অসি মাঙদা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা খুন্নাই অসি পোলিটিক্সনা চল্লাইরিবনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লেঙবা ঙম্লোইদবা মওংদা পুখরবা খুন্নাই অমগা মান্নরক্লবনি। মসি চিংখৎপা তই।

লাইরিক অসিনা পীরিবা রিসোর্ছশিং অসি গভর্ণানন্সতা পানশিন্নবা হোৎনগনি। একাদমিসিয়ানশিং অমসুং ইন্টলেকচুয়েলশিং য়াওদ্রবদি অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙম্লোই। ভিজন য়াওনা থবক তৌনবা হোৎনবদা অখণ্ড অহে ওজাশিংসু য়াওশিনবা দরকার লৈ হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা প্রো. লোকেন্দ্রো অরাম্বমনা হায়, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ মশেল মরক্তা অমগা অমগা মত মান্নরক্তবা অমসুং অমগা অমগা পাউ ফাওনরক্তবা মতমদা মুক্লবা হায়বসি লাকই।

খুন্নাই অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ খুদিংমক অসি অমগা অমগা মতেং পাঙনদুনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তই। মণিপুর রিসার্চ ফোরমনা পুথোক্লিবা লাইরিক অসি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অৱাবা খুদোং চাদবা কয়া অদু মপুং ফানা নৈনবনি।

লাইরিক অসিদা ইরিবা আর্টিকলশিং অসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি ফুরুপশিংগী তোঙান তোঙানবা লোলদা হন্দাক্তুনা খঙহল্লবদি মদুনা লমদম অসিদা জাতি কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী প্রো. সি ঐচ প্রিয়োরঞ্জনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

লমায় ১ গী মখা

# পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম্না ওক্টোবর...

মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়দুনা ভারত সরকারদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা জুলাইগী ১৯দা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোকখিবা হোম এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি (পিএসসি)গী ২১৩ রিপোর্টতা অরানবা ৱাফমশিং য়াওরকপা অমদি মীয়াম্না য়াখিদ্রবা ৱাফমশিং অতম্ননা অপুনবগী শক্তম অসিদা শিংনবা ৱাফম কয়া য়াওরকপগী মায়োক্তা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউদা চৎকদৌরিবা মাস রেল্লি অসিগা মরী লৈননা য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা রাজনিটিগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্নদুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কঞ্জনবগী ফিরেপ লৌমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টি মিট অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অঙম্বা সপোর্ট তৌবা লোয়ননা শরুক য়াবা অমদি ঙসি ফোঙদোক্নখিবা ৱাফমশিং অদু রেল্লি অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা পব্লিক মীটিংদা পুথোকপগা লোয়ননা রিজোলুসন অমদি দিক্লারেসন ওইহনবা হায়বা ৱারেপ অনীসু লৌখি।

মরক অসিদা য়ুসিএমনা শীন দুনা চৎকদৌরিবা ওক্টোবর মাস রেল্লিদা চুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সিএলকে)না মপুং ফানা শৌগৎকনি মীয়ামসু শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

সিএলকেগী চেরোলনা হায়, লমদম অসিদা খূন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক রেল্লি অসিদা শরুক য়ামিন্নসি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বদিদা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নসি।

য়ং ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (ৱাইভিও) ৱাংখৈনসু ওক্টোবর মাস রেল্লি অসি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাইভিওগী সেক্রেটরী জেনরেল নহাকপম তিকেননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ভারত সরকারনা এনএসসিএন–আইএমবু থেম্নবা হোৎনরকপদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীগনি হায়রিবা অসি অরোনবা ওইনা থল্লিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা শোইদনা য়াওরমগনি। মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা এগ্রিমেন্ট অসিনা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। অদুনা ঐখোয়গী ঙমখৈ কায়গদ্রা হায়বগী চীংনবা ফাউরকখিবনি। ২০০১ বেঙ্কোক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা মীয়াম্না হৌখিবা ইহৌ অদুগী মৈচাক কোক্ত্রিঙৈদা ২০১৫তা ভারত সরকার অমসুং এনএসসিএন–আইএমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা অমুক্কসু ইনোৎ হাপচিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা য়ুনাইটেদ কমিতি মণিপুর (য়ুসিএম)না লুচিংদুনা চৎলিবা থা অসিগী ৩১ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী ওক্টোবর মাস রেল্লিদা ৱাইভিও ৱাংখৈনা মপুং ফানা শৌগৎকনি অমসুং শরুক য়াগনি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জিমৱার্ক, ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চ অমদি কেএসএ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামনা ওক্টোবর মাস রেল্লি অসি অঙম্বা থাক্তা শৌগৎকনি হায়না অপুনবা চেরোল অমনা লাউথোকখ্রে।

# মীয়ামগী লৈঙাক অফবনি অদুবু মীহুৎশিংনা...

ঙমদনা তাদুনা লৈবগা মান্নরে, লিংজেল মান্নরক্তে, ফুরুপ মশেল খাইদোক্লদুনা ঐগী হায়বা অসিনা মাঙজিল থাবগুম তৌরে। অদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা তঙাইফদ্রে। চীং–তম অনীনা অপূনবা মণিপুরগী শক্তমনি হায়বসি কাউফম থোক্তে।

মণিপুরদা খূন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাং লূপশিংগী কষ্টমরি লো লৈজরিবা অসি মীয়াম্না ঙাক্না চৎলি। কোর্টনসু মদুদা শক খঙই। অদুবু মৈতে ফুরুপকী ওইনদি কষ্টমরি লো লৈতবগুম উই মসিমক য়াম্না লাইবকথিবনি হায়নসু মখা তনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখিবা প্রো নাওরেম জয়কুমারনা হায়, কুমজা ১৯৪৮ ওক্টোবর ১৮ মণিপুরদা এসেমব্লী লিংদুনা লৈঙাকপা হৌখিবা নুমিৎ অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌই। মচেৎ মচেৎ তরুরবা মণিপুরবু নুমিৎ অসিদা অমত্ত ওইনা পুনশিনখিবনি। ১৮৯১দা বৃটিশকী মখাদা লৈখিবদগী মচেৎ কয়া থুগাইদুনা লৈঙাকখি। মতম অদুদগী ইন্দিয়াদা তিল্লবা ফাওবগী পুৱারী ময়েক শেংনা লৈরি।

মহাক্না মখা তনা হায়, মণিপুরগী কনটেক্সতা দেমোক্রেসি লৈরিব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বসি নৈনবা য়ারক্লে। ফুরা দলান ৱাংনা শারগা ফজবা ফিজোল শেৎলগা চাওখৎপা নত্তে। মীওইবা ঐখোয়গী ৱাখল্লোল চাওখৎলবা মতমদত চাওখৎকদবনি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসনগী এক্টিং চেয়ারপার্সন খাইদেম মনি, মিনিষ্টর ওইরম্বা আরভি মিংথিংসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা অদুগা অদুগা সিসিএসকেগী প্রসিদেন্ট আরজুন তেলৈহেবনা মথৌরম মপু ওইখি। রিছোর্স পার্সন কয়ানা মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈবা নুমিৎ হায়বসিদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

# 'জয়েন্তা' হাংখিবা কেসকী ফাইনেল রিপোর্ট কোর্টনা...

ইনভেষ্টিগেসন ওফিসার ওইদুনা কেস অনী রেজিষ্টর তৌখিবনি।

কেসশিং অদুগী নম্বরশিংনা এফআইআর নম্বর–আরসি–২১(এস) ২০১৮ / এসসি–থ্রি / এনদি (তাং ৩০।১।২০১৮) অন্দর সেক্সন–৩০৭/৩৪ আইপিসি, ২৫(১–সি) আমর্স এক্ট, ২০ য়ুএ(পি) এক্ট অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট অমদি আরসি দিএসটি/২০১৮/এস/০০১৩ (তাং ২৭।২।২০১৮) অন্দর সেক্সন–৩০২ রিট ৱিথ ৩৪ আইপিসিনি।

অদুবু কেস অনীসিগী সিবিআইগী আইওগী মায়কৈদগী মসিগী ফাইনেল রিপোর্ট থাসিগী ১২দা পীখৎলকখিবনি।

কোর্টসিনা এফআর অসি এদমিট তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি মসিগী মতাংদা হিয়ারিং চখরবা মতুংদা ফাইনেল রিপোর্ট অসিদা অয়াবা পীরে হায়খিবনি।

কোর্টনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অসিদা সিবিআইগী কেস অনীসি ক্লোজ তৌরে হায়খিবগা লোয়ননা মসিগীদমক লমশাং পুলিস ষ্টেসনদগী লৌশিল্লুরবা পিএস অসিগী কেস এফআইআর নম্বর ১০(২) ২০১২গী রেকোর্দশিং অমুক হন্না দারন্নবসু খঙহনখি।

# ইরোম চনু শর্মিলাগী অপোকপী লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ ঃ

মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট, ১৯৫৮ পুল্লো লৌথোকউ হায়বগী দিমান্দদা চহী ১৬ হেন্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লম্বী কোংপাল কোঙ্খাম লৈকাইদগী ইরোম চনু শর্মিলাগী অপোকপী থাসিগী ১২দা লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৮৭ শুখ্রে।

লৈখিদ্রবীগী লান্ন–থৌরম থাসিগী ২৫দা পাঙথোক্লগনি হায়না লৈখিদ্রবীগী ইমুংদগী ফঙবা পাউনা হায়রি।

লোয়ননা ইরোম চনু শর্মিলানা লৈবাক মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা চঙশিল্লম্বা খোঙজংদা থৌনাফনা শৌগৎলম্বী অপোকপী মমাগী লান্ন–থৌরমসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা লৈরুনবগীদমক থৌনিবদা মীয়ামসু শরুক য়াবিয়ু হায়না পাউজেল্লক্লি।

# ওটো রিক্সোনা থোম্বদগী শোকখিবা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ ঃ

সেকমাই পূলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা কংলাতোংবী থোং মনাক্তা দিজল ওটো রিক্সো অমনা থোম্বদগী শোক্তুনা রাজ মেডিসিটিদা লায়কন্নরকখিবা লিয়াংমাই বাইবলগী শরুাইরবা ট্রান্সলেটর এনকে সাইয়িং থাসিগী ১৬কী নোঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

ওক্টোবর ২৫, ১৯৪৪দা তাপোন ভিলেজদা পোকখিবা শরুাইরবা ঠিওলোজিষ্ট অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল লিয়াংমাই নাগা ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (লিয়াংমাই নাগা কটিমাই রুৱাংদি, আসাম, মণিপুর, নাগালেন্দগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

# খোংমন ইরোম লৈরক কয়লাস থাবদা...

হিয়ারিংগী মতম লেপখি। লোয়ননা হিয়ারিং অসিগীদমক মরী লৈনরিবা পুলিস ষ্টেসনদগী কেসসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসার (আইও)দগী মহাক্কী ওইবা রিপোর্ট (ওবজেক্সন) পীখৎলক্লবা কৌখি।

কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না পুলিসকী আইওদগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা পাঙথোকখিবা এন্টিসিপেটরী বেলগী কেস অনীসিগী হিয়ারিংদা কোর্টনা মখোয় অনীদা পীখিবা বেলশিং অসি এবসোলুট বেলশিং ওইহনখিবনি।

হিয়ারিং অদুদা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অনীসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা মখোয়বু পুলিসনা কেস অসিদা লান্না চিংশিন্দুনা মরাল থংজিনবনি হায়খি। বেলশিং অসিগী পিটিস্নরশিংনা করিগুম্বা মতম অমত্তদা ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী মায়োক্তা দিফেমেটোরি ষ্টেটমেন্টশিং পীখিদে। শুপ্নতগী পিটিস্নরশিং সিনা ওর্দিনরি সিটিজেনশিং ওইনা কম্মেন্ট পীরুবদনি হায়খি।

প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা লেপখিবা পব্লিক প্রোজিক্যুটরনদি পিটিস্নরশিং অসি কেসসিদা চেন্নবগী ইভিদেন্স মরাং কাইনা লৈ হায়না কোর্টতা সবমিট তৌখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা বেলগী ষ্টেটস রিপোর্ট অমদি কেস রেকোর্দশিং ফংলে হায়বগা লোয়ননা এক্যুইজশিং অসিনা ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী মায়োক্তা কম্মেন্ট খরা পীরুরে হায়বদি খঙলে। অদুবু এল্লিগেসনশিং অসিগা ইনভেষ্টিগেসনদা প্রি জ্যুদিসকী মেরিটশিং য়াওদবনা কেস অসিদা এক্যুইজশিং অসি কষ্টদিদা থমদুনা ইন্টরোগেসন তৌবগী দরকার লৈত্রে হায়দুনা মখোয় অনীগী এন্টিসিপেটরী বেলশিং অদু এবসোলুট বেলশিং ওইহল্লে হায়বগী ওর্দর কোর্টনা পীখি। কোর্টকী ওর্দর অসিগী কোপিশিং শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জদসু পীনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি কেস অসিগা মরী লৈননা শীংজমৈ পিএসনা মমাঙ থাগী ২২দা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ১০দগী লমাবম মঙলেম (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোমচাবুসু ফাদুনা ৱাহং পাউহং চখখ্রবনি। অদুবু সেপ্টেম্বর ২৪দা কোর্টতা জ্যুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়রদা পুথোরকখিবদা কোর্টনা বেলদা থাদোকখিবনি।

# লু–নান্না চলাইরমদবা...

দ্রাইভ অদুগী মনুং চন্না টিম অদুনা সঙাই কন্টিনিটেল হায়রিবা হোটেলগী কিটচনসু য়েংশিনবদা হায়জিনিক ওইবা মওংদা নিংথিনা চলাইরম্বা থেংনখি।

এমজি এভেন্যুদা লৈবা পুজা ত্রেদিং হায়না মিংথোনবা চান–থক্নবা পোলমশিং হোলসেল তৌবা দুকান অমদসু ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টগী টিম অসিনা দ্রাইভ চখখি। মদুদা কোকফাই কারাবা হৱাই বদাম অমদি য়োনবা য়াবগী মতম লোইরবা (এক্সপিয়ার) অচাথাওনচিংবা পোৎলমশিং য়াওরম্বদগী ফাগৎখি।

টিম অসিনা থাঙ্গাল কৈথেলগী ঙারী গল্লিদা লৈবা দুকানশিংশু য়েংশিনখি। শাবগী মফম মতম থাদবা অমদি এক্সপিয়ার ওইরবা মোরেরোমদগী পুশিল্লকপা অচাপোৎশিং থেংনবদগী ফাগৎখি। খবরনা অচাপোৎ য়োল্লগা য়োল্লম্বা থেংনবদগী য়োনবা থিংবগা লোয়ননা অমুক হন্না খবরদা অচাপোৎ য়োল্লগা য়োন্দনবা পাউতাকসু পিরমখি।

# মাস কেজুয়েল লিভকী...

মরুওইনা সিএএফ এন্দ পিদি অমদি রেভিন্যু দিপার্টমেন্টঅনী অসিগী মতাংদসু ৱাফম থল্লমখি অমদি গ্রেদ থার্দ এমপ্লোইশিং লৌনবগী ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন অমা থম্বীনবা ৱাফমসু থল্লমখি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা অদু সিএমনা পীরকখিসু হায়রি।

মহাক্না মখা তনা হায়, ৭শুবা পেগী ৱারী অসি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ফাইনান্স ওইরিবা রাকেস রঞ্জন অসি মপালদা লৈখিবনা লোইশিনবা ঙমখিদ্রে অদুবু লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চীফ সেক্রেটরী য়াওনা মহাক্কী ওফিসতা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ফাইনান্স য়াওনা মখা তনা ৱারী শারগনি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা হান্না ৭শুবা পে পীরগনি হায়না য়ান্নখিবা অদু অমুক হন্না য়েংশিনবা হায়বা ৱাফমদা য়ান্নখি অমদি ওক্টোবর ১৯ অমদি ২০দা চঙশিনগনি তৌরম্বা মাস কেজ্যুল লিভকী খোঙজং অদু হন্দোক্লে হায়নসু মহাক্না মখা তনা ফোঙদোকখি।

# ট্রক লোকখাদা ওন্থবদা মীওই ১...

থৌদোক্তুদা গারী মনুংদা য়াওখিবা কৈথেল মানবীদগী ননাও (১৭) কৌবা মীওই অমা লৈখিদ্রে। অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইথৌদগী এমদি অবির কৌবা মীওই অমনা শোকপদগী নুংবাগী সিঐচএসতা পুখত্নুনা লাইকন্নখ্রে।

টাটা ত্রক অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুগুনু পুলিসনা কোনবা পাঙলতাবীদগী দেবান সর্ম্ম (২৫) কৌবা মীওই অমনা দ্রাইভর ওইবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংবা পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

# হেন্দকফ চল্লুবা জেলগী...

জেলসিগী পার্সোনেলশিং অসি সেন্ত্রেল সিভিল সর্ভিস (ক্লাসিফিকেসন, কন্ত্রোল এন্দ আপিল) রুলস, ১৯৬৫গী সেক্সন–১০গী সব রুল (১)গী মতুং ইন্না মখোয়গী সর্ভিসশিংদগী সস্পেন্দ তৌবনি হায়রি।

সস্পেন্সন মনুংদা মখোয়গী হেদকোর্টর জেলসিদা ওইবগা লোয়ননা মসিগী সুপরিন্টেন্দেন্টকী অয়াবা য়াওদনা মফমসি থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই অমদি ওফিস মতমদা মখোয়গী এটেন্দেন্স রেজিষ্টরদা সহি তৌগদবনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইভ...

ঙসি হাংদোক্লিবা ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইভ অসি য়াম্না মমল য়াল্লবা অমসুং ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মতেং ওইগদবা মফম অমা ওইরগনি।

ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইভ অসি মীয়ামদা পূক্নিং লৌশিং ঙ্গান পীবদা নত্তনা মসিনা হৌখিবা মতমগা হৌজিক্কী মতমগা শম্নহনবা ঙম্লিবনি।

ঐখোয়গী কলচরেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুংদা ম্যুজিয়ম অসিনা কলেক্টিং ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা, মীয়ামদা খঙহন্নবা বোদি অমা ওইনা অমসুং ওবজেক্টিভ কমেন্টেটর অমা ওইনা মীয়ামদা থাজহনবা বোদি অমা ওইনা লৈরি।

ম্যুজিয়মনা হৌখিবা থৌদোকশিং খঙহনবা, প্রিজার্ভ তৌবা, রিসার্চ তৌবা, রেকোর্দিং তৌবগা লোয়ননা ইতিহাসকী মচাকশিং অদুগী ৱাহল্লোক পীদুনা হৌজিক্কী মরমদা হেন্না খঙহন্নবা লম্বী পীরিবনি।

অসিগুম্বা ইন্সিটিট্যুসন অমা লিংখৎপা অসিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা হৌগৎলক্লিবা ঙসিগী মীরোলদা কান্নরবা সর্ভিস অমা পীরিবনি। ম্যুজিয়ম অসিদা লৈরিবা মচাকশিং অসিনা মণিপুরগী পোলিটিকেল হিষ্টরি নৈনবশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা থোইদোক্না নিংবা কায়বদি ওইহল্লোই হায়না লৌইহায়খি।

অসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অসিদা স্পিকরশিং ওইরম্বশিংগী ফিরোলশিং, চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বশিংনা শিজিন্নরম্বা ফিরোলশিং অমসুং মখোয়না শিজিন্নরম্বা পোৎলম কয়া তাশিন খোমজিন্দুনা থম্বা অসি থাগৎনিঙাইহনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়, ইং ২০১৭কী এপ্রিল থাদা অনৌবা এম এল এ ময়ামগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা ওরিয়েন্টেসন কোর্স য়াওবা চৎপদা পার্লিয়ামেন্ট ম্যুজিয়ম উরুবদগী মণিপুরগী ওল্ড এসেমব্লি কমপ্লেক্স অসিদা মসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অসি পায়খৎপা য়াই হায়না খনলকপদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

ইং ১৯৪৮গী ঙসিগী নুমিৎ ওক্টোবর ১৮ অসিদা মণিপুরগী ইহান হানবা এসেমব্লি সেসন ফমদুনা মতম অদুগী মহারাজ বোধচন্দ্রনা মহাক্কী ৱাঙাংদা খা নোংপোক এসিয়াদা মণিপুরনা ইহান হানবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরে হায়না পনখিবা অদু মণিপুরী অমা ওইনা চাউথোকচবা ফাওই।

মণিপুরগী ম্যুজিয়ম অসি অতোৈবা মতমগী মনুংদা শেমগৎপদা এসেমব্লি ষ্টাফশিংনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌখিবা অদুগীদমক্তা থাগৎলি হায়খি। লোয়ননা ম্যুজিয়ম অসিদা মণিপুরদা পানলম্বা নিংথৌশিংগী চহি অমসুং পোলিটিকেল ইতিহাস নৈনবা য়াবা মফম অমা শেমগৎনবা হোৎনগনি। লোয়ননা গভর্ণরনা সেসন মতম শাংনা চখদুনা লৈবাক্কী ৱাফম খন্ননবা পীবা পাউতাক অদু লৌবগা লোয়ননা থবক ওইনা উৎথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

ওপোসিজসন লুচিংবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা হায়, স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংদুনা অসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অমা অরৈবা রিসোর্ছতগী শেমগৎপা অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইহনি।

মণিপুরগী পোলিতিকেল হিষ্টরি অসি তাঙ্কক অনীরক থোক্না নৈনবা য়াই। নিংথৌগী সাসন লৈরিঙৈগী মতম অমসুং প্রজাগী মীহুৎনা সাসন তৌরকপা মতম অসিনি।

ইং ১৯৪৭ ফাওবদি মরিপুর মনিং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরিবনি অমসুং ইং ১৯৪৯ দগী মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনখি হায়বসি কনানসু ককপা য়ারোইদবা ৱাফমনি।

লৈবাক নিংথৌ পানলিঙৈগী মতমদা ইহান হানবা নিংথৌনা ফম্বাল তোংখিবা মফম লৈরে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা মফম অদু নিংথিনা শেমগৎতুনা থম্বা তাঙাইফদে খনবদগী মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা শেনফম খাক্তুনা থল্লগা লম খোপচিল্লগা লৈরিবশিং তকথোক্লবা হোৎনবদা কনাগুম্বা খরনা কেস তৌশিনলকপা লৈ। অসিগুম্বা ইতিহাসিক ওইরবা মফম অসি নিংথিনা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কল্চর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী চেয়ারমেন টি টি হাউকিপ, দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# কংলাদা মান্দব শাবগী মতাংদা মমুৎ তানা...

পায়খৎলিবা থবক অসিগী ৱার্ক প্রপোজেল অসিদা পল্লিবা ৱাফমদি দান্স পার্ফোমিং প্লেটফোর্ম হায়না লৈবনি হায়খি।

রাস লীলা হায়বসি কনানা থোনবা মিংনো হায়বা খঙদনা লৈরিবনি।

সঙাই ফেষ্টিভেলগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চহি অসিগী ওইনা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি মফম মরিদা মেইন ভেন্যু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মাউদা, হাপ্তা কাঙজেবুংদা, লম্লৈইখোঙনাংখোঙদা অমসুং কৈবুল লমজাওদা মপুং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোক্লবা থৌরাং লৈরে।

হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা থাইলেন্দগী প্রিন্সেস লাক্কনি। হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদা কৈবুল লমজাও, মাও অমসুং ইম্ফালদা সঙাই রন পাঙথোক্কনি।

মাওগী চেরি ব্লোসম অসি সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইরে। ফেষ্টিভেল অসিদা আমেরিকাদগীসু মীওইশিং লাক্কনি হায়খি।

চাইনা মমাঙদা পাউকৎ থাবদা লাকখিদবদু হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদা লাক্কদ্রা হংবদা হান্না পাকিস্তান, চাইনা অমসুং আফগানিষ্টান অসি পি এ পিগী অথিংবা লৈবনা পার্মিসন অমা সেন্টরদগী লৌবা চঙই। ফেষ্টিভেলগী ওইবনা সেন্তরদা কন্না তক্লরি।

# চীং–তমগী মরী লাপথোক্লরম্বদু...

পোলিতিসিয়ানশিংনা তুংগী লম্বী উবা ৱাৎলম্বদগী ওইবা য়াই চীং অমসুং তমগী ওইবা তোখায়বা ৱাখল্লোন ফাওবা য়াবা আইন কয়া শেম্লম্বা মতমদগী চীং অমসুং তমগী মরক্তা লাপথোক্লনবগী মচাক ওইহন্দুনা লাক্লি।

চীংদা তমগী মী তাবা য়াদবা, এসেমব্লি অমগী মনুংদা এসেমব্লি অমা থমদুনা নীং তম্না ফিরেপ লৌবা য়াদবনচিংবা চৎনবি কয়া অসিনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা লাপথোক্লবগী ৱাফম খলহনলি।

আইনশিং শেম্বা মতম অদুদা মতম অদুগী পোলিতিসিয়ানশিংনা মীৎয়েং চংদুনা থিংলম্লবদি ঙসিগী ফিভম অসি ওইরমদবসু য়াই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হান্না লৈরম্বা সিষ্টেম অদুদা শোয়রম্বদগী ঙসিদি চীং অমসুং তমগী মরক্তা খাইবুং তাননবা মচাক অমা ওইরকখিবনি। ঙসিসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদা ঐখোয়না থেংনগদবা ইশু অসি করিনো, ঐখোয়গী য়েক্লবনা কানানো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা ঐখোয় মশেল অউ অউবা চিকপগী ফিভম অমদা হোংদোকপা ঙমদনা লৈরি।

ঙসিগী মীরোলদা লৈরিবা অশোনবা অসি ঐখোয়গী ওইবা অপুনবা এজেন্দা অমগী মখাদা চৎপা ঙমদবা অসিনি। হৌখিবা চহি অমা মখায় অসিদা ষ্টেট অসিদা অহোংবা খরদি পুরকপা ঙম্লে হায়না লৌই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মতম অমদা সাসন তৌরম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা চীংগী চাউখৎ থৌরাং য়ৌদবগী মরম থিদোক্তবনা ৱারৌবা লৈ। মদু অনৌবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদগী তোপোগ্রাফিকেল নিদবেজ বজেট শেম্বগী তঙাইফদবা ৱাফম দোনর মিনিষ্ট্রিদা পুখৎপদগী কুপ্না য়েংলবা মতুংদা সেন্টরনা লৈবাক অসিগী ওইনা হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হায়দুনা স্কিম অমা শেম্লকখি। মদুগী মখাদা চীংগী লমশিংদা অহেনবা বজেট পীরি।

লমদম অসিদা চীং অমসুং তমগী মরক্তা খেন্নবা লৈরিবা অসি মপুং ওইনা জিওগ্রাফিকেল ফেক্টর, লেন্দ পোলিসি অমসুং চীংগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌবা ঙমদবা অসিদগীনি। কনাগুম্বনা তম্পাক্না চীংগী চাকথুং মৎলে হায়রবসু মদু অশেংবগীদি লৈতে হায়না লৌই। মসি ঙসিদি চীংগী মীয়াম্না খঙনবা হৌরক্লবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা কনাগুম্বনা অরানবা ৱাফম শন্দোরকপা মতমদা মদুগী অচুম্বা ৱাফম অদু পুথোক্তুনা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা শেমদোকহনখিনবা লৈখ্রে।

দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরগী মীয়াম্নসু মসিগী অশেংবা অসি কুপথনা খঙদবা য়াওরি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম অসি মতম শাংলবা ইশু অমনি। হৌজিকসু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অদুদগী হোংবা লৈতে। লোয়ননা মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপাইবা ফাওরিবা অসি কোক্লবা আর্টিকল থি শেমদোক্তুনা ঙমখৈ হোংদোক হোংজিন তৌবা থিংনবা খোঙথাং লৌবদা গভর্ণমেন্টনা পামদবা লৈতে হায়খি। কনাগুম্বনা ৱাফম অমা পুখৎলকপা মতমদা মদু য়েঙনরগা য়ান্নবা অমগী মখাদা লৈমিন্নবা,চৎমিন্নবা দরকার লৈ। মসি হায় হায়দুনা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী থোকপদি য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিগী চীংদা চৎসি, খুঙ্গং চৎসি মিসন অসিনা প্রজাশিংদা লৈঙাক্কী মহাউ অমা পীবা ঙম্লে। মদুনা মরম ওইরগা মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা প্রজাশিংদা গভর্ণমেন্ট অসিদা থাজবা হেনগৎলক্লে হায়খি।

খুঙ্গং চৎসি অমসুং চীংদা চৎসি মিসননা মণিপুর অসি অমত্তা ওইহনবা ঙম্লে হায়খি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কায়নবা কায়নদবা হায়বসি মেজর কম্যুনিতি ওইরিবা ঐখোয়গী মীৎয়েংগী মখা পোনলি হায়খি।

মণিপুর অসি ফিভম শোক্লে হায়রবসু হৌজিকসু য়াম্না ফরি হায়না লৌবা লাল্লোই। লমদম অসিগী নহারোলশিং, একাদমিসিয়ানশিং, ইন্টলেকচুয়েলশিংদা লৈরিবা হৈশিংবা অমসুং মখোয়গী শক্তি অসি অঙকপনি। মসি নিংথিনা শিজিন্নদুনা মণিপুর অসি হৌজিক চৎলিবা খোঙথাং অসিদা চৎপা তারবদি চহি ১০গী মনুংদা মণিপুরদা অহোংবা শোয়দনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়খি।

হন্দক ওজাশিং হেনকফ চনলগা হোস্পিটালদা পুথোরকপগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈবাক অসিগী আইনদা ওজা, এম এল এগী খেন্নবা লৈতে।

থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। মদুগী মতাংদা এক্সন লৌনবা থিগৎলকপা মতমদা নুমিৎ অদু মখোয় য়াম্বনা মরম ওইরগা কনানা কনানো হায়বা খঙদোকপা ঙমহৌদ্রে। লোয়ননা মী য়াম্বনিনা লম্বীদা করিগুম্বা থৌদোক থোক্লবসু খনবদগী তৌখিবনি হায়না ষ্টাফশিংনা ফোঙদোরকপা লৈরে। লোয়ননা অশোয়বা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়রজরকপা লৈরে হায়খি।

থৌরম অদুগী মমাঙদা তোঙান তোঙানবা তোপিকশিংদা খন্ন নৈন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

# মোরেদা লগাউ শান্নবা, বম্বুলা থাবা ...

মীফম অদুনা ইন্টর্নেসনেল বোর্দর টাউন মোরেদা হরাও কুম্মৈগা মরী লৈননা লগাও শান্নবা, বম্বুলা থাবা থিংবগা লোয়ননা য়ু য়াওনা চাক হোটেল তৌবশিং নুমিদাং পূং ৮গী মতুংদা হাংহন্দনবা ৱারেপ লৌখি। অথিংবা অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বনা থবক তৌরক্লবদি মদুগী অফ–ফত্তা দাইত্ব মশা মশানা পুজগদবনি হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।